# ওপোজিসনদা ওনশিন্দুনা মরাল থংজিল্লগা এল পি জি সিলিন্দরশিং থলহনবা ওইথোক্লোইঃ সি পি আই

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ দোমেষ্টিক এল পি জি সিলিন্দর অমদা লুপা ৬০ হেনগৎহনখিবদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা ওপোজিসন এম পিশিংগী খোল্লাও লাকশিন্নবা ওপোজিসনদা ওনশিন্দুনা অরানবা মরাল থঙশিল্লগা অহাঙবা দোমেষ্টিক এল পি জি সিলিন্দরশিং থলহনবা ওইথোক্লোই হায়না সি পি আইনা ফোঙদোক্লি।

সি পি আইগী নেস্নেল সেক্রেটরিয়েট মীফম্না হিরম অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নরবা তুংদা হান্না বুকিং তৌখ্রবা কঞ্জুমরশিংনা মতম চানা অথনবা এল পি জি সিলিন্দর ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবসি কোকহন্নবা অথুবদা থৌরাং তৌনবসু দিমান্দ তৌরি।

সি পি আই মণিপুর কাউন্সিলনা থোকপা চেরোলনা হায়, লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা য়ুনিয়ন পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্টর হরদিপ সিংহ পুরিনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা নেচরেল গ্যাস রিফাইনরিশিংনা মমাঙদা পুথোক্লম্বা টার্গেটতগী চাং ৱাংনা পুথোকপা ঙম্লকপা অমসুং মমাঙদা গল্ফ লৈবাক অমসুং রসিয়াগী ষ্টোক তৌহৌবা এল পি জিদগী লাক্কদৌরিবা থা খরসিদা এল পি জি সিলিন্দরগী অৱাৎপা লৈহল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবদু মীচম মীয়ামদা উৎ চাইবনি হায়না লৌই।

কম্মর্সিয়েল সিলিন্দর অমদি দোমেষ্টিক সিলিন্দর লৌনবা হোৎনবদা রিটেল দিষ্ট্রিব্যুটর কয়াগী মমাঙদা ক্যু শাংনা লেপ্পবদা খরনা শো লোল্লগা লৈরম্বা খরনা পীবদা কোন্নদবা ফিভম উবদগী কঞ্জুমরশিংদা মথং নুমিৎতা লাক্নবা হায়খিবা অদুসু য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাইনি। এল পি জি অসি ইসেন্সিয়েল কমোদিটিজ অমা ওইবা মরম্না শুকশোয় শোয়দনা থা ১২ গী কঞ্জুমরশিংদা মতম চানা ফংহন্নবা অখন্নবা রিজার্ভ থম্ফম থোকই।

কম্মর্সিয়েল অমসুং দোমেষ্টিক এল পি জিগী মমল হেনগৎ-হনখিবদগী লৈবাক অসিগী সহর কয়াগী লম্বীগী চিদাইদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়োনবা অপিকপা চাকশঙ, চাগী হোটেল, অচা অথক মখল কয়া য়োনবা দাবা দুকান, থেলাদা য়োনবা চান-থক্নবা পোৎলম মখল কয়া য়াওনা পিক্কা রেষ্টুরেন্ট হাংবশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি। মখোয়শিংদু লৈঙাক্না শকখঙবিদ্রবসু লৈবাক অসিগী জি দি পি ৱাংহনবদা অচৌবা থৌদাং মায়পুনরিবনি হায়না মমিং লৈরবা ইকোনোমিষ্টশিংনদি লৌই। লাইবক থিবদি কম্মর্সিয়েল সিলিন্দর মতম চানা ফংদবদগী অসিগুম্বা লমশাং লাকপা মীওই কয়া অহোংবা মমলদা চান-থক্নবা পোৎলম ফংহল্লিবা থেলা পোৎয়োন, দবা পোৎয়োন অমদি পিক্কা রেষ্টুরেন্ট তৌবশিং থোঙ লোন্নরক্লে। মদুনা মরম ওইরগা ইমুং মনুংগী মীওইশিং অৱাবা মায়োক্নহল্লে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কম্মর্সিয়েল অমসুং দোমেষ্টিক এল পি জি সিলিন্দরশিং মতম চানা ফংদবদগী মীচম মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নরিবসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী সোর্ট সাইটেদ ওইবা ফোরেন পোলিসি অদুনা থোকহনবনি হায়না সি পি আইনা লৌদবা ঙমদে। সাউথ এসিয়া লমদমদা ইজরেল অমসুং য়ু এস এ অনীনা ইরানদা লান্দাখিবদগী শুংদোক্ত্রিবা থাও নেচরেল গ্যাস পুশিল্লকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্নে হায়বসি পূন্নমক্কা খঙলিবনি। লৈবাক অসিগী ইনর্জি সেক্যুরিটি মরা চেৎহন্নবা মনিং মখা তম্বা ফোরেন পোলিসি অমা শেমফম থোকই। মরৈ অনী লোঙবা ফোরেন পোলিসিদগী লৈবাক অসিগী মীয়াম্না এল পি জি সিলিন্দর মতম চানা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোক্লি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

## কৈশাল অনীগী লাল

অহল ওইরবা মপুবোক অমনা মশু নুপাদা ৱারী লিরম্মী। ঐখোয়গী ইশাদা কৈশাল অনীখক য়াওরি। মখোয় অনী তত্তনা লাম্হেংনৈ, অমনা অফত্তবনি, অমনা অফবনি। ফত্তবা কৈশাল অদুদি মীহৌচাওই, ঙকচাও থেকই, মশাগীতা খল্লি, মবুক ফত্তে অদুগা নাপল চাওই। অফবা কৈশাল অদুনা ইং তপই, মবুক ফৈ, মীগী মতেং পাংই, মপুকচেল শেংই অদুগা মীনুংশি চাওই। ৱারী অসুম তারম্বা মশু নুপানা ৱাখল তারক্ত্রদুনা মপুবোক্তা হংই, " করম্বা কৈশালনা লান্দুনা ঙমখ্রবগে?" মপুবোক্না পাউখুমলকই, "মদুদি নঙনা খঞ্জগদবনি। করম্বনা ঙমহনগদগে হায়বদুদি নহাক্না মচিঞ্জাক হুনবিবগী মখা পোল্লেদনা।

ঐখোয়গী ইশাদা থেংনরিবা অফবা অমসুং ফত্তবা অনীগী লান অসি ঐখোয়না পাম্বদুনা ঙমহনগে খল্লবদি ঐখোয়না ঐখোয়গী তশেংবা য়েক্নবা অদু কনানো খঙবা তঙাইফদে। ঐখোয়না য়েক্নবা অদু খঙলবা মতুংদা অদুগা মদু মায়থিবা পীরবা মতুংদা ঐখোয়গী নুংদা থেংনরিবা লান অসি ঙমহনিংলিবা অদুনা মায় পাকপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

ঐখোয় মীওইবদা মহৌশানা পীথোক্লকপা হৈনবী অনীখক লৈ। অমনা লানগে লাল্লু, চুমগে চুম্মু, ইশা মাঙজরবা ফাওবদা নুংঙাই থোকপনি। অনীশুবা অদুনা মতম খরগী ওইনা নুংঙাইত্রবা ফাওবদা অচুম্বা লম্বীদা চঙশিল্লগা নুংঙাইবা ফংবদুনি। অয়াম্বা মতমদা অহানবগী অসিনা অনীশুবা অসিবু নমথৈ। ঐখোয়না ফত্তে খঙলবসু ফত্তবদু অদুম তৌবগী হৈনবী লৈ। অদুবু মায় পাকপা পূন্সি ফংগে খল্লবদি ঐখোয়বু মখাদা চিংথনবা হোৎনরিবশিং অসি করি করিনো কনা কনানো হায়বদু খঙদোক্লগা নাম্হোক্তুনা চৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

# অহুমশুবা এন ই ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৬ শৌগৎলোইঃ ফিল্ম ফোরম মণিপুর

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং অমদি নেস্নেল ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন এফ দি সি)গী স্পোন্সরসিপ মখাদা মণিপুর লৈঙাক্কী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন দিপার্টমেন্ট অমদি ওল মণিপুর ফিল্ম প্রদ্যুসর এসোসিয়েসনগা খূৎশন্নরগা থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দা ইম্ফালদা পাঙথোক্লবা থৌরাংলিবা অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল (এন ই আই এফ এফ) ২০২৬ তা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মায়কৈদগী হিরম অমত্তদা শৌগৎলোই হায়না ৱারেপ্পদুনা লাওথোকখ্রে।

ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরী কাংজম রোনেলচন্দ্র মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফিল্ম ফোরম মণিপুর অসি লমদমসিগী ফিল্মগী লমদা থবক তৌরিবা তোঙান তোঙানবা এসোসিয়েসন/ গিল্ড ১২গী এপেক্স বোদি অমনি। থৌনা মণিপুরনা কুমজা ২০২৪ অমদি ২৫ দা মথংশিৎনা শীনখিবা এন ই আই এফ এফ অহানবা অমসুং অনীরকশুবা এদিসনদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগা খূৎশন্নরগা পাঙথোক-মিন্নখিবনি। অদুবু চৎলিবা থা অসিগী ২১দগী ২২ ফাওবা নুমিৎ নীনি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা ফেষ্টিভেল অসিদদি থৌনবা মণিপুরগী মায়কৈদগী করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লম্বা লৈখিদে। তৌনিং তৌনিংবা পংতৌদা তৌবগী থৌওং অসি য়ানিংদবা উত্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা শৌগৎতনবা ঙসি ফমখিবা ফোরমগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মীফম্না ৱারেপ্পখিবনি হায়রি।

# পি এম কে এস ৱাইগী লুপা ক্রোর ১২৯ হেন্না লান্না শীজিন্নখিবগী ৱাথোক চাওথোরক্লেঃ লৌমী লূপ

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ লৌউ শিংউগী থাদোরকপা স্কিম কয়া মওং তাদ্রে অমদি পি এম কে এস ৱাইগী শেনফম লুপা ক্রোর ১২৯ হেন্না লান্না শীজিন্নখিবগী ৱাথোক চাওথোরক্লি হায়না মণিপুর লৌমী লূপনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী সেক্রেটরী ঐচ ইবোবী সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি নোংমা-নীনিদা মণিপুরগী খা-ৱাং নোংপোক নোংচুপকী মফম কয়াদা অকনবা নোং নুংশিৎ অমসুং লেন হৈথদুনা মহৈ মরোং মখল কয়া মাঙ-তাকখিবা লোয়ননা ইচাও থোক্লবদি ইকং অমুক থোরকপা য়াত্রা নৎত্রগা হঞ্জিন হঞ্জিন ইচাও থোরকপা, ইকং থোরকপা চাত্রা হায়বগী মতাংদা লূপকী এগজিক্যুটিভ বোদি মীফম্না কুপ্পা খন্ন-নৈনখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমী লুচিংবা কয়ানা ফোঙদোকখিবদি লৌমীশিংনা মহৈ মরোং পুথোক্তুনা মীয়াম হিংলিবনি, লৌমী লৈত্রবদি মীয়াম লৈররোই, ডোক্তরশিং, সাইন্টিষ্টশিং, উকিলশিং অমত্তা হিংলরোই। লৌউ শিংউগী স্কিম কয়াগী কাইরকপা শেনফম মাঙহল্লিবসি থিগৎতুনা অকনবা চৈরাক পীফম থোকই হায়নসু ফোঙদোক্লখি। হৌজিক চুরিবা নোং অসিনা অঙনফৌ অমদি অনীরক চাবী য়ারবদি ফরে। নৎতদুনা ইচাও থোক্লবা নৎত্রগা মখা তানা চুরক্তবনা ইকং থোক্লবদি লৌমীশিং অৱাবা মায়োক্নগদৌরিবনি। নোং চুদনা থা কয়া লৈরিঙৈদা য়াদবা আর এল আই পম্প হাওস, তুরেল লৌনম্বাল, রিটেনিং ৱাল চনবা, দাম বেরেজ, ইথৈ লৌখোং কেনেল শেমজিল্লবদি অহানবা অমসুং অনীশুবা ক্রোপ লোয়ননা ইংখোলগী মনা মশীং থাবদা কান্নগনি অমদি ইচাও অমসুং ইকংদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগনি। নৎতদুনা খুদোংথিরবা কান্দা হারৌ হারৌ চেন চোংবনদি শেঞ্জা থুমজা নুংঙাইনবগী থবক ওইগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক লৌমীশিংনা হার চাইবগী দরকার ওইরে। হার লাক্লে হায়বসু তারে। অদু ওইরবদি ইম্ফালদা লাক্তুনা হার লৌরবগী মহুৎ লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা জোন জোন খূদিংদা অমদি কোওপরেটিভ সোসাইটিগী গোদাউনশিংদা থম্বিরবদি অমসুং লৈঙাক্কী সবসিদি রেটতা ফংহল্লবদি অফবা অচুম্বা থৌরাং ওইগনি। নৎতদুনা এম এল এ মিনিষ্টরশিংনা হার য়েনগনি, চেঙ য়েনগনি, পেন্সন য়েনগনি হায়রবদি ইরাং থোরক্কনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা পাক শন্না লেন য়াওনা নোং নুংশিৎনা মহৈ-মরোং ইনশাং-নাপি কয়া মাঙহনখ্রে, য়ুম কয়া তেকখ্রে, অশোক অপন য়াওরে। মসিদা লৈঙাক্না অথুবদা তেঙবাং অমসুং রিলিফ মেটরিয়েলশিং ফংহন্নবা অখন্নবা থবক পায়খৎফম থোকই। মখা তানা অখাক অরাও য়াওবা নোং নুংশিৎ লাক্কনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাওথোকখিবদু য়েংদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ফকুং অৱাং লৈকাইগী কম্যুনিটি হোল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্লাই এ সিগী মনুংচনবা ফকুং অৱাং লৈকাইদা লৈবা লাইনিংথৌ ফৌরায়াম লাইবুংদা শাবা কম্যুনিটি হোল লোকেল এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নখ্রে।

লাইনিংথৌ ফৌরায়াং মেনেজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মেনেজিং কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট এস নিলমনি, সওম্বুং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর ৱাই ইবোহল মীতৈ, কংলা জি পিগী চিয়ারপার্সন এস কুমার মৈতৈনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা কেঐচ ইবোমচা এম এল এনা হায়, তঙদু লৈতাবা লৈতনা চাওখৎ থৌরাংদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লোইদবনা তঙদু লৈতাবা পুরক্নবা লৈঙাক্না হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু।

ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা তঙদু লৈতাদবা অসিনা মরম ওইরগা চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদ্রে। লমদম অসিগী মীপুম খূদিংমক্না ইশা ইশানা থাজবা লাইনদা তঙদু লৈতাবা পুরক্নবা থৌনিবগা লোয়ননা মখা তানা ইরাং থোকহনবা য়াবা থৌদোক থোরক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ৱাংজিংদা শৈরেংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কনি

থৌবাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ খোরিরোল শন্দোকলূপ ৱাংজিং, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশা অমসুং নিঙোল খুৎ মণিপুর ৱাংজিংনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২১ থাংজ নুমিৎতা ৱাংজিংদা লৈবা খোরিরোল শঙলেনদা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরমদুগী মনুংচন্না খোরিরোল অমসুং খুন্নাই হায়বা হিরমদা তোংব্রম বাবুলাল, অদুগা অনৌবা মতমগী মণিপুরী শৈরেং হায়বা হিরমদা নোংথোম্বম সঞ্জিৎনা চে পাথোক্তুনা খন্ন-নৈনগনি হায়রি। শক্লাইরবা অইবা সাইখোম চাওবনা শৈদিন মপু ওইরগা শৈরেং শৈদিন্নবসু থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। থৌরম অদুদা নিঙোল খুৎ মণিপুর ৱাংজিংগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়ুন্নাম ঈশৈহেনবী দেবীনা অথোইবা মীথুং, খোরিরোল শন্দোকলূপ ৱাংজিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নহাকপম বিরেননা থৌরম মপু অদুগা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কার্তিক মাইবনা ইকায় খুন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

# জি এস এ নেস্নেল এৱার্দ লাম্হোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ অসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা অমল পরভ ভবনদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা জ্ঞান রত্ন সাহিত্য একাদেমিগী ১২ শুবা নেস্নেল কনফরেন্সদা ইন্দিয়াগী ওইনা মীওই ৫৪ দা জি এস এ নেস্নেল এৱার্দ ২০২৬ লাম্হোকখ্রে।

জি এস এ মণিপুর ষ্টেটকী কোওর্দিনেটর টিঐচ সোমেন সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অদুদা নেস্নেল বুক ওফ রেকোর্দকী চিয়ারমেন সোনমনি দট্টু, জ্ঞন রত্না সাহিত্য একাদেমি (জি এস এ)গী নেস্নেল প্রসিদেন্ট ডা. হেমচন্দ্র বর্মন, মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ডা. ফাজৌবম লনজিৎ, সত্রধিকার সতয়োজিৎ মহেতা অমদি অতৈ মশক নাইবা মীওই কয়া ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

অসামগী লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা লৈখিদ্রবা জুগিনগী মিংদা ইবা শৈরেং লাইরিক ২ অমদি অসাম সাহিত্যগা মরী লৈনবা লাইরিক অমা ফোঙখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি। জি এস এ নেস্নেল এৱার্দ ২০২৬ ফংখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনা সোসিয়েল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট ডা. অঙোম বেমবেম চনু, হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটতা সনসম রোবিতা দেবী, মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্সতা গোতিময়ুম অশারানি দেবী, এষ্ট্রোলোজর লৈশাংথেম বুধি মীতৈ, রাইটর লমাবম বিরেন্দ্র সিংহা, এদুকেসনদা য়ুন্নাম নন্দিনি, আর্ট এন্দ কলচরদা এস ঐচ দেবরাজ শর্ম্মা অমদি ইমব্রোইদরিদা আর কে ইন্দিরা য়াওরি।

অতোপ্পা অমনা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটতা জি এস এ নেস্নেল এৱার্দ ফংলকখ্রবী সনসম রোবিতা দেবীনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা শিংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকাইদা লৈবা অংসি ইন্টরপ্রাইজেসকী ষ্টাফশিং য়াওনা মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখি।

# সিকোনা শজিবু চৈরাওবগী য়াইফ পাউজেল পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ য়েলহৌমী মীতৈশিংগী শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপদা সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না মীয়ামদা নুংঙাই য়াইফবা, অনা অয়েক য়াওদবা পুন্সি নুংশাংবা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

সিকোগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি থাংজম ইনাওচানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নুমিৎ অসিদা তাইবঙ য়ুম অমগী শম্হোং কাদা ফম্বাল লাঙদুনা মচা ওইবা পুম্ববু নাওয়োক নাওকোনবিরিবা লাইনিংথৌ সনামহিদা কুম অমগী নৌনা ফংবা হৈরাং লৈরাং (কুমশু লৈ, লৈরি লৈ, চোংলাং লৈ, হৈতুপ, হৈয়াই, নোংকাং হৈ) নচিংবা কচদুনা ঙমজবা মনা মশিংগী অথেনপোৎকা লোয়ননা লাক্লিবা চহীগী য়াইফ থৌনি পাঙথোক্কনি।

লাইনিংথৌদা কৎচবা পোৎলম পুম্বনা লাঙজবা মথেল লুকোইশিং অদুবু নীংথিনা শেমদুনা চহী অসিগী য়াইফ নুংঙাই ফংজনা য়ুমগী কোম্হোংগী মপান্দা লুকলেন অহুম কত্তুনা অনা-অয়েক ফত্তবা পুম্বা থৌনিজদুনা কখোক্কনি। মদু লোইরগা লাঙলিবা মথেল লুকোই পূম্মক শাগৈ-ঙাই, মরুপ-মপাংগী য়ুম য়ুমদা থিন্নদুনা য়ুমথোঙ খূদিং এনশাং লান্নরগা হরাও নুংঙাইনা চরা তমগনি। অদুগা ঙাইহাক পোত্থারবা মতুংদা মনাক নকপা অৱাংবা চীংদা কাদুনা পুন্সিগী পাঙ্গল চাংয়েংনৈ অমসুং চীংঙু লাইগী খুভমদা য়াইফ থৌজাল নিনরকই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিদা পোক্লগা লমদম অসিগী ঈশিং নুংশিৎতা হিংজরিবা অমদি মপান লমদা লৈরিবা য়েলহৌমী মীতৈ কংলৈচা পুম্বনা ইরমদমগী চৎন-কাঙলোন, ইনাৎ শেংনা ঙাক্না থৌরম পাঙথোকপিয়ু। সনামহি লাৎলিবা অমদি য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈগী চহী হৌবগী থৌরম শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা অসি শোয়দনা পাঙথোকপিয়ু হায়রি।

# স্কিলনেস অফটর স্কুল ক্লব হায়বা প্রোজেক্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ উরিপোক সোরবোন থিঙেলদা লৈবা পব্লিক লাইব্রেরী হোলদা দাইচিরো প্রোফেস্নেল স্কিল একাদেমিগী অহানবা কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা ইরোইননা একাদেমি অসিগী মখাদা পিক্লিবা মহৈরোইশিংগীদমক লাইফ স্কিল, কনফিদেন্স বিল্ডিং, মেনর দিসিপ্লিন নচিংবা তাকপি তম্বিগদবা স্কিলনেস অফটর স্কুল ক্লব হায়না মিংথোনবা প্রোজেক্ট অমা হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুগা মরী লৈননা একাদেমি অসিগী ফাউন্দর কম দিরেক্টর পোৎসংবম সচি প্রিয়ানা হায়, একাদেমি অসিনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদগী হৌরগা থবক থিরিবা নহাশিংগী ওইনা স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রবা তুংদা ৱার্কিং পেরেন্ট কয়ানা মশাগী থবক অমদি মচাশিং শেন্নবগী মতম কাইথোকপা ঙম্লক্তবা অমসুং ট্যুসন থারবসু য়ুমদা হল্লক্লবা মতমদা মোবাইল ফোননচিংবা শীজিন্নদুনা লৈথোকপা অসিনা অঙাংশিংগী তুংগী লম্বীদা শোয়হল্লক্লবগী মচাক ওইরক্লে। মরম অসিনা হৌরক্লিবা নহাশিংবু অফবা মীওই অমমম ওইহনবা ঙম্নবা মখোয়বু একাদেমি অসিদা লাকহন্দুনা একাদেমিক সেলেবসতা মতেং পাংবখক নত্তনা থকশি খাসি অমদি হৌন-লোনচৎ কয়াসু তাকবী তম্বীনবা হোৎনবনি।

## আই ই দি ৮ অশোয় অঙাম য়াওদনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (এস এন এস)ঃ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা বোলজাং হিল রেঞ্জগী জেনরেল এরিয়াদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফংখিবা আই ই দি ৮ সেফটি প্রোটোকোল অমদি ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিভ প্রোসিদ্যুর ঙাক্না অশোয় অঙাম য়াওদনা মাঙহনখ্রে। বোলজাং হিল রেঞ্জ জেনরেল এরিয়াদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা আই ই দি ৮ ফংখিবগা লোয়ননা পিষ্টোল ১, মেগজিন ১, ইমপ্রোভাইজ মোটোর ১, মোটোরোলা রেদিও সেদ ২, বেট্রিরি ২ অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ৯ সু ফংখিবনি হায়রি।

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/ JEE / IIT
NEF
THREE YEARS' LEGACY
JEE
S. CHINGKHEINGANBA 98.48% 2024
A. LANKHONBA 98.18% IIe State Topper 2023
S. ALBERT 98.20% 2025
NEET
RANK - 154 2025
RANK - 49 2025
RANK - 1 (NEET 2025)
RANK - 56 2025
THONGAM PRIYANKA RANK - 60 2025
REGISTRATION OPEN
CRASH COURSE
JEE (APRIL SESSION) & NEET
Comencing from 15th March 2026
Scan here to register
For more details please contact:
9402979552 / 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai
SL/Sush/2-2 (1 month)

UNIFIED NEET ACADEMY
ADMISSION OPEN
1. CRASH COURSE FOR NEET(UG) - 2026
2. Class XI & XII Foundation Course
SL/Sanayai Agent /1-30

YAKAIROL
RHYMES TEACHERS' TRAINING CENTRE
Thongju, Near Canchipur, Opp. IPS School, Imphal East - 795003
4th Batch Admission Open
Form will be available from Wednesday, March 18th 2026
COURSE INCLUDES :
Rhymes Singing, Story Telling, Spoken English, Child Psychology, Make-up, Fine Arts.
6 Months Course
Jobs employed 90% of our trainees.
Contact us :-
9774636883 / 8794493517
Starting
2nd April, 2026
(11.15 am to 1.30 pm)
SL/Su/16,18,20

APOLLO ACADEMY
Moulding Career & Igniting Young Minds
REGISTRATION OPEN
For
1) NEET (UG) CRASH COURSE- 2026
Class commencement: 16th March 2026
Timing: 6:30 AM - 10:30 AM (45 mins Daily Test)
Note: Sunday Class + Mock Test (P/C/B)
2) CUET (UG) CONDENSE COURSE- 2026
Class commencement: 23rd March 2026
Timing: 6:30 AM - 9:45 AM
Paper (I): Language, Paper (III): General Test, Paper (II): Phy, Chem, Bio, Maths, Pol. Sc, Hist, Geog, Acct/B. Study
Facilities: Hostel Available for Boys & Girls
Office Timing: 6:00 AM - 10:00 AM & 2:00 PM - 5:00 PM
NB: (i) NEET aspirants can also join CUET P(I) & P(II) classes after 3rd May 2026 (T&C apply).
(ii) For your early bird offer of 15%, get enrol before 15th March, 2026
For details :
Plz visit Apollo Office Kwakeithel Akham Leikai near AMUCO Office.
SL/Su/20-30

## GAS TODAY

**Canchi Indane Service**

Consumersingna 8454955555 da Miss Call Pibiduna DAC lakakanda Home Deliverysingda Pao Pibiyu.

**Khumbong Indane**

Booking upto : 01-02-26, Valid from : 29-01-26, Only home delivery sarvice, Office no.9774068549, Home delivery contact no.8974511936, Message no.8974511936, Time 7.30am to 10.am. EKYC toubirako

**Porompat Indane**

Kongkham Leikai, near water supply: Booking up 25/01/2026 Valid from 16/01/2026, Time: 9.30 am to 1 p.m. Please do your EKYC and Provide DAC at the time of Delivery

**R & H Indane**

Irilbung only Home Dellivery , Booking : 14/01/26, Valid : 20/12/25, Stk. : 324, Sunday Close. Delivery matamda Register touba Phone puthokpiyu. Aadhaar Puraklaga E-KYC touthokpiyu.

